# এ এফ সী এসিয়ন কপ শান্নবগী মঙলান মঙফাওনরকপদা নুংঙাইবা ফাওই : আশালতা



ন্যু দিল্লি, জুন ০৬ (এজেন্সী):
এসিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা যাম্না মরু ওইবা অমা ওইরিবা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ন কপ ২০২২ ইনি দয়ানা যূম্বু ওইরগনি। টুর্নামেন্ট অসিদা শান্ননীংবগী লৈখিবা মঙলান অদু মঙফাওনরকপদা হরাওবা অমদি নুংঙাইবা ফাওই হায়না ইন্দিয়ানা নুপীগী টিম কেপ্তেন ওইরিবী লোইতোংবম আশালতানা ফোঙদোকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি ইন্দিয়াদা পুরক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন অমসুং মসিগী ৱিমেন্স কম্মিটিবু আশালতানা হায়নীংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী টিমদা সেন্টর বেক পোজিসন্দা শান্নরিবা লোইতোংবম আশালতানা কুমজা ২০২২ য়ৌরকপদা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোলগী অচৌবা খোঙথাং অমা ওইগনি। এসিয়াগী লৈবাক পূম্নমক্না ইন্দিয়াদা মীৎয়েং থম্বা হৌরক্কদৌরিবনি হায়খি।

হায়রিবা টুর্নামেন্ট অসি কদাই ফাওবা মরু ওইবগে হায়বগী মরমদা ফোঙদোক্লদুনা আশালতানা হায়খিবদা মহাক্না ফুটবোল শান্নবা হেক হৌরকপদগী মহাক্কী অপোকপীদা মেচ অমা ফাওবা য়েংহনখিদ্রি। কুমজা ২০২২গী এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়ন কপ অসিদা মহাক্না অপোকপীবু ইন্দিয়ানা এসিয়াগী অতোপ্পা টিমশিংগা লম্বা তৌনবা অদু শুংশোয় শোয়দনা য়েংহনগনি হায়খি।

এসিয়াগী ওইনা কুমজা ২০১৯দা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী খ্বাইদগী ফজবা নুপী শান্নরোয় অহুম খনগৎপদা লোইতোংবম আশালতাগী মমিংসু য়াওখি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়ানা কুমজা ২০১৬তা এ এফ সী অন্দর-১৬ টুর্নামেন্টকী যূম্বু ওইখি। মদুগী মতুং কুমজা ২০১৭তা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপকী যূম্বু মায় পাক্না ওইবা ঙমখ্রবা মতুং চৎলিবা চহী অসিগী নবেম্বর থাদা ফিফাগী নুপীগী চহী ১৭ মখাগী ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুসু যূম্বু ওইগদবনি। অদুবু কোভিদ-১৯ লাইচৎনা মরম ওইরগা মথং চহীগী ফেব্রুৱারীদা য়ৈথোকখি।

লোইতোংবম আশালতাখক্তা নত্তনা ইন্দিয়াগী ৱিমেন্স সেনিয়র ফুটবোল টিমদা য়াওরিবা শান্নরোয় খুদিংমক এসিয়াগী নুপীগী টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মমিং লৈরবা এ এফ সী ৱিমেন্স এসিয়া কপ ২০২২ ইন্দিয়ানা যূম্বু ওইরগনি হায়বগী অয়াবা ফংলকপদা ঙমখৈ লৈতনা হরাওবা ফোঙদোক্লখি।

# বেয়র্ন ম্যুনিকনা বেয়র লেবেরকুসেনবু ৪-২দা থোইখ্রে, বোরুসিয়া মোনচেনগ্লবাগ মায়থীহৌরে, মাইন্স ০৫ মায় পাকখ্রে



বর্লিন, জুন ০৬ (এজেন্সী):
টাইটল ফংগনি হায়বগী অচৌবা থাজবা লৈরিবা মমাঙগীসু চেম্পিয়ন বেয়র্ন ম্যুনিকনা ঙসি শান্নখিবা বুন্দেসলিগাগী ৩০শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা বেয়র লেবেরকুসেনবু পাঞ্জল ৪-২দা মায়থীবা পীদুনা পোইন্ট টেবলগী মখা তানা মাঙজিল থারি। বোরুসিয়া মোনচেনগ্লবাগ ফ্রেবর্গকী মখূৎতা পাঞ্জল ০-১দা মায়থীখ্রে। মাইন্স ০৫না এন্ত্রাক ফ্রেঙ্কফর্ট ২-০দা থোইবা ঙমখ্রে। অতোপ্পা মেচ অনী দ্রো চৎখ্রে।

ঙসি বে এরেনা ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা বেয়র লেবেরকুসেনগা বেয়র্ন ম্যুনিক্না লম্বা তৌনখি। শান্নবগী ১০শুবা মিনটতা বেয়র লেবেরকুসেনগী মায়কৈদগী চথুরকপা এটেক অমদা জুলিয়ন বোগার্টলিঙ্গরনা পীরকপা পাস অমদা লুকাস অলারিওনা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখি।

মিনট ১৭ লৈরগা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী মায়কৈদগী লিওন গোরেনচানা পীখিবা বোল অমদা কিংসলে কোমাননা ইক্বেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। মখা তানা বোল পায়বগী চাং বেয়র্ন ম্যুনিক্না হেনগৎলক্তুনা এটেক মখা চথুরকখি।

শান্নবগী ৪২শুবা মিনটতা থোমাস মুল্লরনা পীরকপা বোল অমদা লিওন গোরেঙ্গানা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। শুপ্নগী মিনট ৩ লৈরগা অহানবা হাফকী অরোইবা মীৎকুপ্তা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী মায়কৈদগী জোসুৱা কিমিসনা খাইরকপা বোল অমা সর্গে গাব্রিনা পাঞ্জল চন্দুনা অহানবা হাফ অদু মখোয়না লেবেরকুসেনবু ৩-১দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ২১ চঙশিল্লকপদা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী মায়কৈদগী থোমাস মুল্লরনা ফংখিবা বোল অমা ইন্থোরকপদা রোবার্ট লিৱান্দোস্কিনা পাঞ্জল চন্দুনা ৪-১দা লৈখি।

শান্নবা লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্ত্রবদা বেয়র লেবেরকুসেনগী পাওলিনোনা পীখিবা পাস অমা টিমমেট ফ্লোরিয়ান ৱাটসনা পাঞ্জল চল্লগা ২-৪দা মায়থীবা পীখি। বেয়র্ন ম্যুনিক্না ঙসি মায় পাকখিবা অসি থারগা পূন্না পোইন্ট ৭০ ফংলগা মখোয়গী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা ওইরিবা বোরুসিয়া দোর্টমুনদগী পোইন্ট ১০ হেল্লগা লৈরি।

ঙসি ঙন্না শান্নখিবা মেচ অমদা মরিশুবা পোজিসন্দা লৈরিবা বোরুসিয়া মোনচেনগ্লাবাগপু ফ্রেবর্গনা পাঞ্জল ১-০দা থোইখি। মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু ফ্রেবর্গকী বিনসেনজো গ্রিফোনা পীরকপা বোল অমদা টিমমেট নিলস পিটরসননা পাঞ্জল চনখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা ১৬শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বা মাইন্স ০৫ এফ সীনা মখোয়গী থাক ৱাংনা লৈরিবা এন্ত্রাক ফ্রেঙ্কফর্টপু পাঞ্জল ২-০দা থোইবা ঙমখি। মায় পাকপা অদুনা মাইন্স ০৫ ১৫শুবা পোজিসন্দা হাইগৎখি।

হোফেনহেম ফুটবোল ক্লব অমসুং ফোর্টুনা দুসেলদোর্বকা ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখি। লোয়ননা এস সী পেদরবোন ০৭গা রাসেনবোলস্পোর্ট লৈপজিগকা পাঞ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চৎখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | FC Bayern München | 30 | 22 | 4 | 4 | 90 | 30 | 60 | 70 |
| 2 | Borussia Dortmund | 29 | 18 | 6 | 5 | 80 | 35 | 45 | 60 |
| 3 | RasenBallsport Leipzig | 30 | 16 | 11 | 3 | 75 | 32 | 43 | 59 |
| 4 | Borussia Mönchen | 30 | 17 | 5 | 8 | 57 | 36 | 21 | 56 |
| 5 | Bayer Leverkusen | 30 | 17 | 5 | 8 | 56 | 40 | 16 | 56 |
| 6 | Hoffenheim | 30 | 12 | 7 | 11 | 42 | 50 | -8 | 43 |
| 7 | Wolfsburg | 29 | 11 | 9 | 9 | 41 | 36 | 5 | 42 |
| 8 | Freiburg | 30 | 11 | 8 | 11 | 39 | 41 | -2 | 41 |
| 9 | Hertha BSC | 29 | 10 | 8 | 11 | 43 | 50 | -7 | 38 |
| 10 | Schalke 04 | 29 | 9 | 10 | 10 | 34 | 46 | -12 | 37 |
| 11 | Eintracht Frankfurt | 30 | 10 | 5 | 15 | 49 | 55 | -6 | 35 |
| 12 | 1. FC Köln | 29 | 10 | 4 | 15 | 46 | 56 | -10 | 34 |
| 13 | Augsburg | 29 | 8 | 7 | 14 | 40 | 56 | -16 | 31 |
| 14 | 1. FC Union Berlin | 29 | 9 | 4 | 16 | 34 | 52 | -18 | 31 |
| 15 | Mainz 05 | 30 | 9 | 4 | 17 | 39 | 62 | -23 | 31 |
| 16 | Fortuna Düsseldorf | 30 | 6 | 10 | 14 | 33 | 60 | -27 | 28 |
| 17 | Werder Bremen | 29 | 6 | 7 | 16 | 30 | 62 | -32 | 25 |
| 18 | SC Paderborn 07 | 30 | 4 | 8 | 18 | 33 | 62 | -29 | 20 |

# এ আই এফ এফনা হিরো আই লীগকী অনৌবা ক্লবশিং ইনভাইট পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ০৬ (এজেন্সী):
ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না হিরো আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০গী ওইনা হান্না লীগ অসিদা শরুক য়াদবা সিটিশিংদগী অনৌবা ক্লবশিং য়াওহন্ননবা ইনভাইটেসন পীখ্রে।

ইনভাইটেসনশিং অসি মমিং লৈরবা টিমগী মপুশিংনা নন রিফরেন্দবল অমসুং নন এদজষ্টেবল ওইবা লুপা লাক্ষ ৪গী শেনফম দিমান্দ দ্রাফ্টতা পীরগা ন্যু দিল্লিদা লৈবা ফুটবোল হাওসতা টেন্দর অদু জুন ১০দগী ২০ ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

সিটিশিং অদুগী মরক্তা ফুটবোল ক্লবশিং এ আই এফ এফনা ইনভাইট তৌরকখিবদা ন্যু দিল্লি, রাঞ্চি, জয়পুর, জোধপুর, ভোপাল, লক্ষনৌ অমদি অহমেদবাদসু য়াওরি।

টেন্দরগীদমক্তা ইনভাইট তৌখ্রবা ফুটবোল ক্লবকী মপুশিংনা করিগুম্বা টেন্দর অদু ফংবা ঙম্লবদি মখোয়না অনৌবা ক্লব অমা ২০২০গী মপু ওইবা য়াগদৌরিবনি।

হায়রিবা টেন্দরদা মায় পাকপা ঙম্লবা ক্লবশিং অসিনা ক্বালিফাই ওইরক্লবদি এ এফ সী ক্লবকী কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়াবা য়াগদৌরিবনি।

# লিওনেল মেসি ত্রেনিং য়াওবা হৌখ্রে

মাদ্রিদ, জুন ০৬ (এজেন্সী):
স্পেনগী মমিং লৈরবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট লা লীগাদা মকোক থোংবা ক্লব অমা ওইরিবা বার্সেলোনাগী মরু ওইবা ষ্ট্রাসকর লিওনেল মেসি ঙসিদগী ক্লব অদুগী হোম গ্রাউন্দ ওইরিবা কেম্পনৌদা ত্রেনিং সেসন য়াওবা হৌখ্রে।

মখোঙদা অশোকপা অমা লৈবদগী ক্লবকী ত্রেনিং সেসন অনীরক য়াওখিদ্রবা মতুং ঙসিদগী লিওনেল মেসি ত্রেনিং য়াওখিবনি। অমরোমদা টিম অদুগী অতোপ্পা মরু ওইবা শান্নরোয় লুই স্বারেজসু মথং চয়োলদগী মখা তানা চথগদৌরিবা লা লীগাগী মেচশিংদা শান্ননবগীদমক ফিট ওইরে হায়রি। মথংগী থাংজ নুমিত্তা বার্সেলোনানা রিএল মালোকাগা লীগ মেচ শান্নবা হৌগনি।

# ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট প্লেয়র ত্রান্সফর পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ০৬ (ঐচ এন এস):
দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংগী মখাদা এফিলিএট তৌবা ক্লবশিংগী চহী খুদিংগী লেপ্তুনা পাঙথোকপা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট প্লেয়র ত্রান্সফর অমসুং ইন্টর ক্লব প্লেয়র ত্রান্সফর পাঙথোক্লগনি।

প্লেয়রশিংনা লোন লৌবা তারবদি প্লেয়র অদু হান্না য়াওরম্বা ক্লবকী নো ওবজেক্সন সর্টিফিকেট য়াওগদবনি। অদুগা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট প্লেয়র লোননা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্দগী লৌগদবনি। ইন্টর ক্লব প্লেয়র লোননা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীংদগী লৌগদবনি।

ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট প্লেয়র ত্রান্সফরগী ফী লুপা ২৫০০ জুলাই ৪দগী ৩১ ফাওবগী অয়ূক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবগী মনুংদা মপাল কাংজেবুংদা লৈবা অম্ফাগী ওফিসতা পীশিনগদবনি।

ইন্টর ক্লব প্লেয়র ত্রান্সফর ফী লুপা ২৫০০ জুলাই ২১দগী ৩১ ফাওবগী অয়ূক পুং ১১দগী নুংথিল পুং ২ ফাওবদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ওফিস ককচীংদা পীশিনগদবনি। অদুগা লোন ফী লুপা ২৫০০দি অম্ফাগী ওফিস নৎত্রগা দি এস এ ককচীংদা থিবা য়াগনি। রিন্যুএল ফী লুপা ৪০০০না জুন ১৫ ফাওবগী মনুংদা থিদোক্কদবনি। লোয়ননা ফ্রেশ ক্লবকী ওইনা লুপা ৪০০০ ওইগনি হায়না দি এস এ ককচীংগী জেনরেল সেক্রেটরি এম নিলোনা থাদোরকপা মেমোরেন্দম অমনা খঙহল্লক্লি।

কোরিয়া লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২০-২১

# জিওনবুক এফ সীনা এফ সী সিওল থোইদুনা পোইন্ট টেবলগী মাঙজিল থাবা ঙমখ্রে



সিওল, জুন ০৬ (এজেন্সী):
কোরিয়া লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মঙাশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা জিওনবুক এফ সীনা এফ সী সিওলবু পাঞ্জল ৪-১দা মায়থীবা পীদুনা পূন্না পোইন্ট ১২ ফংবগা লোয়ননা পোইন্ট টেবলগী মকোক থোংবা ঙমখ্রে।

অতোপ্পা মেচ অমদা সেংজু সেংমুনা বুশান আই পার্ককা শান্নবদা পাঞ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চৎখি। অদুগা অতোপ্পা মেচ অমদনা উলসান হুন্দাইনা পোহাং ষ্টিলরসপু পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীখি।

সিওল ৱর্ল্ড কপ ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা যূম্বু এফ সী সিওল অমসুং জিওনবুক এফ সীগী মেচ অদুগী মিনট ৪০ হেন্না পাঞ্জল চন্নখিদে। ৪৪শুবা মিনটতা জিওনবুক্কী মায়কৈদগী গিওৱোন হাননা অহানবা পাঞ্জল চনখি। অথুবা মতমদা এফ সী সিওলগী সু য়ঙ পাকনা ৪৫শুবা মিনটতা ইক্বেলাইজর অদু চনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী জেওনবুক এফ সীনা খুদুম চন্না শান্নবা হৌরকখি। ৪৮শুবা মিনটতা টিম অদুগী সিওং কি লিনা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চল্লবা মতুং শান্নবগী ৫৫শুবা মিনটতা টিমমেট দোং গুক লিনা অহুমশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি।

দোং গুক লিনা মেচকী ৭৩শুবা মিনটতা জিওনবুক এফ সীগী পাঞ্জল অমগা চল্লগা মেচ অদু ৪-১দা মখোয়না থোইখি।

বুশান গুদোখ ষ্টেদিয়মদা যূম্বু ক্লব ওইখিবা বুশান আই পার্ক অমসুং সেংজু সেংমুগা পাঞ্জল অমমম চন্নরগা ত্রো চৎখি।

মেচকী অহানবা হাফকী পুঙ্খায় অমরোমগী মতম টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্নখিদে। বুশান আই পার্ক্কী মায়কৈদগী মেচকী ৩২শুবা মিনটতা পেনালটি অমা ফংখিবা অদু জুং হ্যুব লিনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ১-০দা অহানবা হাফ অদু মাঙজিল থারগা চৎখি।

অনীশুবা হাফকী মিনট ২৩ হৌজিল্লকপা মেচকী ৬৮শুবা মিনটতা সেংজু সেংমুগী মায়কৈদগী সিওন মিন মুননা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা লম্বা মান্নরকখি। মখা তারকপা পুঙ্খায় ফাখিদবা মতমদা অহেনবা পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখি। সেংমু পোইন্ট ৮ ফংলগা মরিশুবা পোজিসন্দা লৈরি অদুগা বুশান আই পার্ক পোইন্ট ৩ ফংলগা ৯শুবদা লৈরি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মঙাশুবা রাউন্দগী মেচ অমদা পোহাং ষ্টিলরসনা যূম্বু ওইদুনা ষ্টিলয়ার্দ ষ্টেদিয়মদা শান্নবদা মখোয়বু উলসান হুন্দাইনা পাঞ্জল ৪-০দা মায়থীবা পীখি। হুন্দাইগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনখিবশিং অদুদি চুং য়োং লি (২৬ অমসুং ৩৭ মিনট), ইন সুং কিম (৭৫) অমসুং জুনিয়র নেগাও (৮৫)নি। উলসান হুন্দাই পোইন্ট ১১ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈরি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Jeonbuk Motors | 5 | 4 | 0 | 1 | 9 | 3 | +6 | 12 |
| 2 | Ulsan Hyundai | 5 | 3 | 2 | 0 | 13 | 4 | +9 | 11 |
| 3 | Gangwon FC | 5 | 3 | 1 | 1 | 7 | 5 | +2 | 10 |
| 4 | Sangju Sangmu | 5 | 2 | 2 | 1 | 5 | 6 | −1 | 8 |
| 5 | Seongnam FC | 5 | 2 | 2 | 1 | 5 | 6 | -1 | 8 |
| 6 | Pohang Steelers | 5 | 2 | 1 | 2 | 8 | 8 | 0 | 7 |
| 7 | FC Seoul | 5 | 2 | 0 | 3 | 5 | 9 | −4 | 6 |
| 8 | Suwon Samsung | 4 | 1 | 1 | 2 | 3 | 4 | −1 | 4 |
| 9 | Busan IPark | 5 | 0 | 3 | 2 | 3 | 6 | −3 | 3 |
| 10 | Daegu FC | 4 | 0 | 3 | 1 | 2 | 4 | −2 | 3 |
| 11 | Incheon United | 5 | 0 | 2 | 3 | 2 | 7 | −5 | 2 |
| 12 | Gwangju FC | 4 | 0 | 1 | 3 | 1 | 5 | −4 | 1 |

# ৱর্ল্ড আর্চরি ফিল্ড চেম্পিয়নশিপ ২০২০ কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা য়ৈথোকখ্রে

য়াঙ্কটোন, জুন ০৬ (এজেন্সী):
য়ু এস এগী সিটি য়াঙ্কটোন্দা লৈবা এন এফ এ এ ইষ্টোন য়াঙ্কটোন আর্চরি সেন্টরদা চহী অসিগী সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা ৱর্ল্ড আর্চরি ফিল্ড চেম্পিয়নশিপ ২০২০ কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা কুমজা ২০২২ ফাওবা য়ৈথোকখ্রে।

সেন্টর অসিদা মমাঙদা ৱর্ল্ড য়ুথ অমসুং ৱর্ল্ড ইন্দোর আর্চরি চেম্পিয়নশিপ মায় পাক্না যূম্বু ওইখ্রবনি। মালেমগী ওইনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা শিহনবা মশীং অসি খ্বাইদগী য়াম্বা য়ু এস এ লৈবাক্তা হৌজিক হৌজিক থেংনরিবা অৱাবসি য়েংলুরগা ৱর্ল্ড আর্চরি অমসুং য়াঙ্কটোন ওর্গনাইজিং কম্মিটিনা অপূনবা ৱারেপ ওইনা লৌদুনা শান্নরোয়শিংগী শাফবা ঙাক্লনবা কুমজা ২০২২ ফাওবা ৱর্ল্ড আর্চরি ফিল্ড চেম্পিয়নশপ অসি য়ৈথোকখিবনি। ৱর্ল্ড ফিল্ড ইভেন্ট অসি য়ুনাইটেদ কিংদমগী বিরমিংঘামদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা ৱর্ল্ড আর্চরি গেমসকী ক্বালিফায়িং টুর্নামেন্ট অমা ওইরম্বনি।

ৱর্ল্ডল আর্চরিগী সেক্রেটরি জেনরেল টোম দেলেননা ফোঙদোরকপদা মথং চহীদা ৱর্ল্ড গেমসকী ক্বালিফায়িং ইভেন্ট অমা পাঙথোক্লবা হোৎনগনি।

# এন বি এগী লেজে মাইকেল জোর্দাননা য়ু এস দোলর মিলিয়ন ১০০ নন প্রোফিট লূপশিংদা দোনেট তৌখ্রে

লোস এঞ্জেলিস, জুন ০৬ (এজেন্সী):
হৌখিবা থাগী ২৫দা য়ু এসকী খূৎলায় পায়দবা কুচু মুবা জোস ফ্লোইটপু ফারবা মতুং পুলিসনা হাৎখিবা অদুগী য়ানীংদবা খোঙজং কয়া অমা লৈবাক শীনবা থুংনা পাঙথোক্লিঙৈ মরক অসিদা বাস্কেটবোলগী মমিং লৈরবা লেজে মাইকেল জোর্দননা রেসিএল ইকেলিটি অমসুং সোসল জষ্টিশকীদমক্তা লান্থেংনরিবা নন প্রোফিট গ্রুপশিংদা মতেং ওইনবা য়ু এস দোলর মিলিয়ন ১০০ দোনেট তৌখ্রে।



মাইকেল জোর্দননা ঙরাং ফোঙদোকখিবদা হায়রিবা শেনফম অসি রেসিজমগী অচৌবা চৎনবী অমা লৈরিবা অসিগী মায়োক্তা লান্থেংনরিবা নন প্রোফিট গ্রুপশিংদা চহী ১০ চঙনা পীগদৌরিবনি। হায়রিবা শেনফম অসি শান্নবগী লম্‌দগী নন প্রোফিট গ্রুপশিংদা মতেং পীখিবা খ্বাইদগী য়াম্বা শেনফমনি হায়না লৌনরি।

য়ু এস এদা লৈরিবা কুচু মুবা মীওইশিংগী পুন্সি মরেল হেন্না ফগৎনবগীদমক শেলগী মতেং অসি পীখিবনি হায়না জোর্দননা মখা তাখি।

বেলারসিয়ন প্রেমিয়র লীগ ২০২০

# এফ কে স্লুক্স অমসুং টোর্পিদো ঝোদিনো ১-১দা দ্রো চৎখ্রে, ইস্লোক অমসুং এফ সী রুব্রেষ্টসু পাঞ্জল অমমম চন্নখ্রে



মিন্সক, জুন ০৬ (এজেন্সী):
বেলারস প্রেমি লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ১২শুবা রাউন্দগী মেচশিংদা টোর্পিদো ঝোদিনো অমসুং এফ কে স্লুক্স পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেচ অমদা এফ সী রুব্রেস অমসুং ইস্লোকসু পাঞ্জল অমমম চন্নরগা মায় পাকপা ঙম্নখিদ্রে।

স্লুক্সনা যূম্বু ওইরগা ক্লব অদুগী হোম গ্রাউন্দ সিটি ষ্টেদিয়মদা ত্রোপিদো ঝোদিনোগা শান্নখিবনি।

স্লুক্সকী টিম মমাঙগী ১১শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ১৭ ফংলগা মঙাশুবা পোজিসন্দা লৈখিবনি। অমরোমদা টোর্পিদো ঝোদিনোনা চপ মান্নবা রাউন্দ মশীংদা পোইন্ট ২১ ফংলগা মরিশুবা পোজিসন্দা লৈখি।

ঙসিগী মেচ অদু টিম অনীমক লম্বা য়াম্না মান্নখি। অহানবা হাফকী মিনট ৪৫গী শান্নবা অদুদা মায়কৈ অনীমক্তুগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌরকপা মিনট ২০ হেল্লবা ফাওবসু পাঞ্জল লৈখিদে। ৭০শুবা মিনটতা টোর্পিদো ঝোদিনোগী মায়কৈদগী ভালেরি গোর্বাচিকনা অহানবা পাঞ্জল চনখি।

এফ কে স্লুক্সকী মায়কৈদগী মিনট ২০ লোম শান্নবা মখা চথুরবা ফাওবদা ইক্বেলাইজর অদু ফংবা ঙমখিদে। মেচকী ৯০শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় য়ুরি কোজলোবনা ফংখিবা বোল অমা ইন্থোরকপদা অতেম সর্দুকনা পাঞ্জল চল্লগা দ্রো চৎখি।

মিন্সক ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা এফ সী রুব্রেষ্ট অমসুং ইস্লোক লম্বা তৌনখি। টিম অনী অসিসু অহানবগী মিনট ৪৫গী মতম অদুদা পাঞ্জল চনবা ঙম্নখিদে।

শান্নবগী ৬৮শুবা মিনটতা রুব্রেষ্টকী মায়কৈদগী পাবেল সেটকোনা পীরকপা বোল অমদা অবদোলায়ে দিয়ালোনা পাঞ্জল চনখি। থংনবা মিনটতা ইস্লোক্কী আলেকজেন্দর মকাসকী বোল অমা টিমমেট দিমিত্রি কোমারুবস্কিনা চল্লগা মেচ অদু দ্রো চৎখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | BATE Borisov | 11 | 8 | 1 | 2 | 23 | 10 | +13 | 25 |
| 2 | Torpedo-Zhodino | 12 | 6 | 4 | 2 | 16 | 10 | +6 | 22 |
| 3 | Energetik-BGU | 11 | 7 | 1 | 3 | 17 | 13 | +4 | 22 |
| 4 | Shakhtyor Soligorsk | 11 | 6 | 3 | 2 | 16 | 3 | +13 | 21 |
| 5 | FK Slutsk | 12 | 5 | 3 | 4 | 17 | 17 | 0 | 18 |
| 6 | Dynamo Brest | 11 | 5 | 1 | 5 | 17 | 14 | +3 | 16 |
| 7 | Slavia Mozyr | 12 | 4 | 4 | 4 | 15 | 18 | −3 | 16 |
| 8 | Isloch Minsk Raion | 12 | 5 | 1 | 6 | 13 | 17 | -4 | 16 |
| 9 | FC Ruh Brest | 12 | 3 | 6 | 3 | 10 | 11 | -1 | 15 |
| 10 | Neman Grodno | 11 | 4 | 3 | 4 | 15 | 13 | +2 | 15 |
| 11 | FK Vitebsk | 11 | 3 | 5 | 3 | 11 | 13 | -2 | 14 |
| 12 | FC Minsk | 9 | 4 | 1 | 4 | 13 | 16 | −3 | 13 |
| 13 | Dinamo Minsk | 11 | 4 | 1 | 6 | 13 | 12 | +1 | 13 |
| 14 | FK Gorodeya | 12 | 3 | 3 | 6 | 8 | 17 | -9 | 12 |
| 15 | FC Smolevichi | 11 | 1 | 4 | 6 | 11 | 17 | −6 | 7 |
| 16 | Belshina Bobruisk | 11 | 0 | 3 | 8 | 9 | 23 | −14 | 3 |

# এ এফ সীনা ক্বালিফায়রগী অনৌবা মতম লাউথোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুন ০৬ (এজেন্সী):
কুমজা ২০২২দা কটারনা যূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ক্বালিফিকেসন অমদি ২০২৩দা চাইনানা যূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদবা এ এফ সী এসিয়ন কপকী ক্বালিফায়িং মেচশিং অদুগী অনৌবা মতম লাউথোকখ্রে।

এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন্না ফিফাগা খন্ন-নৈনরবা মতুংদা ক্বালিফিকেসন অসিগী অনীশুবা রাউন্দগী মেচশিং অদুগী মতম লাউথোরকপনি।

এ এফ সীনা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্দা খঙহল্লকপগী মতুংইন্না ওক্টোবর ৮দা ইন্দিয়ানা যূম্বু ওইরগা কটারগা শান্নগনি। মদুগী মতুং চহী অসিগী নবেম্বর ১২দা ইন্দিয়ানা অৱে মেচ ওইনা বাংলাদেশকা শান্নগনি। লোয়ননা নবেম্বর ১৭তা ইন্দিয়ানা যূম্বু ওইরগা আফঘানিষ্টানগা শান্নগনি।

হায়রিবা মেচশিং অসি মমাঙদা চহী অসিগী মার্চ অমসুং জুন থাদা পাঙথোক্লনবা মতম লেপ্লম্বনি। অদুবু কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা শান্নবগী হীরম খুদিংমক লেপখিবনা য়ৈথোকপা তাখি। ৱর্ল্ড কপ ক্বালিফাই ওইবগী তাঞ্জা লৈত্রবা ইন্দিয়ানা ২০২৩ এ এফ সী এসিয়ন কপ্তা ক্বালিফাই ওইনবা হোৎনগদৌরিবনি।

RaDiant Group
Let Us Grow Together
Address: Corporate Office, Sega Road, Keishampat, Imphal-01
**Manpower Requirements**
Date of interview 10th June 2020 at 10:30am
Interested Candidate may apply for the positions below with updated bio-data/Resume at the above given office from 10:00 am -02:00 pm
Mail us at radiantcorporatehr@gmail.com or SMS / WhatsApp us at +91-7642842266 with <Name><Position>

| UNIT | Position | Exp. | Post | Education | Salary |
|---|---|---|---|---|---|
| RaDiant Group Finance Dept. | Area Manager (AM) | 3-5 years exp. in MFI Sector | 1 | Graduate and above | 15K to 25K |
| RaDiant Group Finance Dept. | Branch Manager (BM) (Thoubal) | 2-3 years exp. in MFI Sector | 1 | Graduate and above | 10K to 15K |
| RaDiant Group Finance Dept. | Branch Manager (BM) (Kwakeithel) | 2-3 years exp. in MFI Sector | 1 | Graduate and above | 10K to 15K |
| Arambai2020 | Digital Marketing Associate | 2-3 years exp. as an expertise in handling social media, Search Engine Marketing (SEM), Search Engine Optimization (SEO), sales and marketing and product sales strategy. | 1 | Graduate and above | 8K to 13K |
| Arambai2020 | Content Writer | 1-2 years exp.in professional content writing. | 1 | Graduate and above preferably English Honours | Negotiable |

HL-B/6196/4/6-3/6
Sd/- Human Resource Generalist, RaDiant Group

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com